# কিপেদ জিহাদিস থিংনবা হোম মিনিষ্ট্রিনা ঙসি হায়-লেভেল মিটিং পাঙথোক্কদৌরি



*ন্যু দিল্লি, জুন ১০ ঃ*

তোকঙাশিং শন্দোক্তুনা নৎত্রগা থৌদোক অমদা হেক্তা কাঙলুপ মশেনগী ওইনা উহন্দুনা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম থুগাইনবা ৱাখল অমগা লোয়ননা ইন্টর্নেটতা হু শন্দোক্লিবা কিপেদ জিহাদিসশিংনা থাগৎলকপা মখল কয়াগী সোসিয়েল নেটৱার্কিং সাইটশিংদগী ফত্তবা মচাকশিং অদু লৌথোক্লবগী খঙহন্নবা হোম মিনিষ্ট্রিনা ঙসি অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা কৌরি।

মীফম অদু য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরী রজিব গাওবনা চিয়ার লৌগনি অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি, দিপার্টমেন্ট ওফ তেলিকম্মুনিকেসন্সতগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরগুম্বগী সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংদগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াগনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, এফ আই আরশিং শেম্বা, সার্ভিস প্রোভাইদরগা খন্নরগা খ্বায়দগী থুবা মতমদা ফত্তবা মচাকশিং লৌথোকপা অমসুং আইনগী থবক লৌখৎপা থুজিনহনবা য়াওনা অসিগুম্বা নুংনাংবশিং অসিগী থবক তৌরিবা সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী প্রোভিজনশিং থবক ওইনা পাঙথোকপগী মতাং খন্নগনি।

কিপেদ জিহাদিসশিংগী মথক্তা ক্রেকদাউন চঙনবগী ৱাখল অসি কিপেদশিং শীজিন্নদুনা ষ্টেট মেসিনরিগী মায়োক্তা লান তৌরক্লিবা মীওইশিং অদু মায়োক্নবগী মহুৎতা অশেংবা গনশিংনা টেরোরিষ্টশিং ফাবা নৎত্রগা মাংহনবদা সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংবু হেন্না পূক্নীং চঙহন্নবনি।

মসি ৱাদি ৱার অমা লাঙ্হেংনরিবা অদুবু নোংমৈ বোম-তোপ্না নত্তবা ৱাহৈনা থেংনবা ভরচ্যুয়েল ৱার অমনি। অদুম ওইনমক নহা ওইরিবা মীওইশিংগী ৱাখলদদি মসিনা অচৌবা শাফু অমা পী হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসিয়েলশিংনা মখা তানা ফোঙদোকপদা অনৌবা লানফম অসিদি মমাঙৈঙৈগী খূৎলাইগা থেংনবা লানফম অদুদগী য়াম্না থাপ্না মফম হোংলে অমসুং অনৌবা য়ুগকী জিহাদিসশিংনা ভেল্লিদা নৎত্রগা মপানগী মফম অমদগী, মখোয়গী য়ূম মনুংদগী নৎত্রগা লমজাও শরক্তগী হেক্তা লান তৌনবা কম্প্যুটরশিং অমসুং স্মার্ট ফোনশিং শীজিন্নরকপা য়ারে হায়রি।

খুদম ওইনা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসনা টুইতর শীজিন্নবা মীওই ৫ গী মথক্তা কেসশিং লৌখৎখ্রে। খ্বায়দগী থুরবা মতমদা মথৌ তাবা থবক লৌখৎপা য়ানবা ফেসবুক অমসুং ৱাটচঅপতা লান্না লমজীংখিবা য়াবা পোষ্টশিং থাগৎলকপগীদমক সার্ভিস প্রোভাইদরশিংদা কমপ্লেন্টশিং তৌখ্রে।

হৌজিক-হৌজিকমকসু খ্বায়দগী নুংনাংবা অমদি লাক্লিবা থা অনী শাংবা অমরনাথ যাত্রা অসিনি। মরমদি য়ূম অমগী মনুংদা নুংঙাইনা ফম্লগা কনাগুম্বা মীওই অমনা চাট গ্রুপ লীশিং কয়াগী মনুংদগী অমদা শেমজিন-শাজিনবা অরানবা পাউ শন্দোরকপা য়াই অমসুং মদুনা ষ্টেট পুম্বদা কাঙলুপ মশেনগী হিংশা থোকহল্লকপা য়াই হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়রি।

অশেংবা লাইফমশিংবু মাংথোকপগী শেমজিন-শাজিনবা পিকচরশিং কাঙলুপ অমনা শন্দোক্তুনা খুদক্তা অচৌবা ইরাং থোকখিবগী খুদম কয়ামরুম লৈখ্রবনি হায়না মখোয়না ফোঙদোক্লি।

# নরেন্দ্র মোদিনা এস সি ও সম্মিটতা ইকোনোমিক গ্রোথ লৈনবা, কন্নেক্টিভিটি হেনগৎহন্নবা ফোঙদোকখ্রে



*কিনদাও, জুন ১০ ঃ*

সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) সম্মিট য়াওরুনবা চিনাদা চৎখিবা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ লোয়শিল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ইন্দিয়াগীদমক ঙসি মফম অদু থাদোক্লকখ্রে। খোঙচৎ অদুদা চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং য়াওনা মকোক থোংবা লৈবাক্কী লুচিংবা ৬ লোমগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরকখি।

এসিয়ান সম্মিট এস সি ও গী প্লেনরি সেসনদা ৱা ঙাংবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অশম্বী ৱাহৈ 'এস ই সি য়ু আর ই' হায়বা অমা পুথোকখি। এস-না সেক্যুরিটি ফোর্স সিটিজন, ই-না ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট, সি না কন্নেক্টিভিটি, য়ু-না য়ুনিটি, আর-না সোবরেন্টি অমসুং ইন্টিগ্রিটি, ই-না ইনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্সন হায়বনি হায়রি।

ট্রান্সপোর্ট কোরিদরশিংনা রিজন অসিবু শম্নহনবগী মরু ওইবা অদু পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, কন্নেক্টিভিটিনা লম খক্তবু শম্নহনবা নত্তে। মসিনা লৈবাক অমগী মীয়ামগা অতোপ্পা লৈবাক অমগী মীয়ামগা অনীগী মরক্তসু শম্নহল্লি। পূম্নমক শুনা য়াওবা, তুং কোয়না চৎনবা অমসুং অরোন-অথুপ য়াওদবা মনুং মপান ফাওনা উবা অসিগুম্বা প্রোজেক্ট খুদিংমক ইন্দিয়ানা তরাম্না ওকই। মেম্বর ষ্টেটশিংগী সোবরেন্টি অমসুং টেরিতোরিয়েল এক্টিভিটি ইকায়খুম্নবা অদু তরাম্না ওকই হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি। মহাক্কী ৱাফম অসি চিনাগী 'ৱান বেল্ট ৱান রোদ (ও বি ও আর) প্রোজেক্ট হায়বা অদুদা নাকোয়ননা য়ানিংদবা ফোঙদোকপনি।

পাকিস্টান ওকুপাইদ কাশ্মীর ফাওনা প্রোজেক্ট অদুনা চৎপা মরমনা ইন্দিয়ানা প্রোজেক্ট অদুগী মায়োক্তা কন্না য়েৎলিবনি। এস সি ও দা ইন্দিয়ানা মতেং পূম্নমক পাংবা পাম্মী অমসুং ব্লোক অসিনা ইন্দিয়াবু থাউ মরাং কায়না থোকপা সেন্ট্রেল এসিয়ান নেসনশিংগা মরুপ মপাং ওইবা হেনগৎনবগী অচৌবা খুদোংচাবা পী হায়না মহাক্না হায়খি।

টেরোরিজমনা পীরকপা শীংনবশিংগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা টেরোরিজম অমসুং এক্সট্রিমিজমনা পীবা লাইবক থীবা খুদম অমদি আফগনিষ্টাননি হায়খি।

সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনদা হৌজিক মেম্বর লৈবাক ৮ লৈরে। মসিনা মালেমগী অপূনবা মীশীংগী চাদা ৪২ গী মহুৎ শিল্লি। অদুগা গ্লোবেল জি দি পি গী চাদা ২০ রোমনি। ব্লোক অসি রসিয়া, চিনা, কিরজিজ রিপব্লিক, কাজখষ্টান, তাজিকিষ্টান অমসুং উজবেকিষ্টান্না কুমজা ২০০১ দা সাংহাইদা পাঙথোকপা সম্মিট অমদা লীংখৎখিবনি। ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানসু হৌখিবা চহীদা মসিগী মেম্বর ওইরকখি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লোন্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপা টেরোরিষ্ট ৬ হাৎখ্রে

*শ্রীনগর, জুন ১০ ঃ*

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী কেরান সেক্টরদা লোন্না ইন্দিয়াদা চঙশিন্নবা হোৎনরকপা টেরোরিষ্ট ৬ ঙসি আর্মিনা হাৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।


নুমিৎ নীনিগী মমাঙদসু শ্রীনগরদগী কিলোমিটর ৯৪ লাপ্পা কেরানদা টেরোরিষ্টশিংনা চঙখরকপা এম্বুস অমদা ইন্দিয়াগী লান্মী অমা শিখি অমসুং অমা শোকখি। নুমিৎ অদুদগী হৌনা সেক্টর অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থি-হুম্বগী থবক চঙখি। মদুদা মখোয়না টেরোরিষ্টশিং অদু ঙসি ঙমখে লানশিন্নবা হোৎনদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি।

মফম অদুগী উমংশিংদা লোৎতুনা লৈরম্বা য়াবা টেরোরিষ্টশিং থিনবা হৌজিক ফাওবা মফম অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংন পেট্রোলিং চৎলি। ঙসি হাৎখ্রিবা টেরোরিষ্ট ৬ অদু থানা হৌখিবা চয়োল অনীদা ষ্টেট অসিদা হাৎখিবা টেরোরিষ্ট পুন্না ২১ শুখ্রে।

নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা লাকখি অমসুং ঙমখেগী লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নখি। রাজনাথকী খোঙচৎ অদুদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফটি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট জিটেন্দ্র সাহসু লোয়নরকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা সেন্টরনা রামজানগী সিজফাইয়ার অমা লাওথোকখ্রবসু টেরোরিষ্ট এটেকশিং মখা চঙখি। করিগুম্বা রামজান মনুংদা এটেকশিং চঙখরকপা তারবদি, সিজফাইয়ার লৈজরবসু টেরোরিষ্টশিং অদুগী মথক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ওপরেসন চঙবা য়াই হায়না হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

# দিল্লিগা ৱারী শান্নদনবা সেপরেটিষ্টশিংদা ফরুক অব্দুলানা খঙহনখ্রে



*শ্রীনগর, জুন ১০ ঃ*

লোক সভা মেম্বর অমসুং হান্নগী জম্মু এন্দ কাশ্মীর চীফ মিনিষ্টর ফরুক অব্দুলানা সেপরেটিষ্টশিংদা সেন্টরগা ৱারী শান্নবনা নখোয় করিমত্তা কান্নবা ফংলোয় হায়রদুনা মখোয়দা সেন্টরগা ৱারী শান্নদনবা পাউতাক পীখ্রে।

কন্সটিট্যুসন্না বেঙ্ককী পীরিবা ওটোনোমি অদু ঐখোয়দা মখোয়না পীদে। অদু ওইরবদি নখোয়দা মখোয়না করি পীগদৌরি হায়না *গ্রেটর কাশ্মীর* কৌবা পাক শন্না মীয়াম্না পাবা নুংতিগী পাউ-চেদা পীবা ইন্টভিয়ু অমদা ফরুক অব্দুলানা সেপরেটিষ্টশিং অদুদা হায়খি।

নেস্নেল কনফরেন্সকী প্রসিদেন্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সেপরেটিষ্টশিংগা ৱারী শান্নবগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পুকচেল শেংদে হায়নসু ফোঙদোকখি। মসি অঙাং মহৈরোইশিংগী অহাংবা মেনশিল্লু হায়বা এক্সর্সাইস অমগুম্বনি। কাশ্মীরদা মহৌশাগী তংদু-লৈতাবা ফিভম লৈহনগদবনি হায়না মালেমগী লৈবাকশিংদগী ইন্দিয়াদা শাফু পীরক্লি। মরম অদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ৱারী শান্নবা হায়রক্কনি অদুবু মদু লাং অমনি। লাং অদুদা থুরুগনু। করিগুম্বা অকক্নবা প্রোপোজেল অমগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা থোক্লক্লবা মতম খক্তদা ৱারী শান্নৌ হায়না ইন্দিয়াদগী তোঙান তাবা পাম্লিবা গ্রুপ অদুদা পীবা মহাক্কী পাউজেলদা ফরুক অব্দুলানা হায়খি।

বি জে পি না মখোয়দা করিগুম্বা অমা পীনবা থৌরাং তৌই হায়বসি ঐ খঙদে। মখোয়গী অনীংবশিং অদু মপুকচেল শেংদে। মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া জেলদা লৈখ্রবা নৎত্রগা শ্রীনগরদা মখোয়গী য়ূমশিংদগী হেন্দোকহন্দনা থমখ্রবা সেপরেটিষ্টশিং অদুদা ফরুক অব্দুলানা চেকশিন্নবা হায়খি।

সেপরেটিষ্টশিংনা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌবা ঙম্নবা দাইলোগ প্রোসেসকী কাঙলোন অদু ন্যু দিল্লিনা শোয়দনবা ময়েক শেংনা তাক্কদবনি হায়না সায়েদ অলি গীলানি, মিরৱাইজ উমের ফরুক অমসুং মুহমদ য়াসিন মালিক য়াউনা কাশ্মীরগী সেপরেটিষ্ট লুচিংবশিংনা হায়খি।

# ৱারী শান্নবগীদমক য়ু এস অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অনীনা সিঙ্গাপোরদা থুংলখ্রে

*সিঙ্গাপোর, জুন ১০ ঃ*

সিঙ্গাপোরদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মরু ওইনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইগী প্রোগ্রাম থাদোকহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নগদৌরিবা অদুগীদমক ঙসি নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন সিঙ্গাপোরদা থুংলখ্রে। মদুগী পূং খরগী তুংদা য়ু এস কী প্রসিদেন্ট ট্রম্পসু এয়ার ফোর্স ৱানদা সিঙ্গাপোরদা থুংলখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অমগা হৌজিক হৌজিক ফম পুরিবা য়ু এস প্রসিদেন্ট অমগা অনীগী মরক্তা ইহান হানবা উন্নবা ওইগদৌরিবা অসি সিঙ্গাপোরগী লম কোইফম ঈথৎ সেন্টোসাদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোক্কনি।

লুচিংবা অনী অসিনা হৌখিবা থা ১৮ লোম অসিদা মখল মখলগী ৱাঙাংদা অমনা অমগী মথক্তা হুন্নখি, ইকায়বা পীনখি। লান তৌগনি হায়বা ফাওবা কিহন্নখি। অদুবু অকোনবদা মখোয় অনী হকথেংননা মমায় মমায় ওনশিন্নদুনা ৱারী শানবা মায়কৈরোমদা লাকখি।

হেক থুংলখিবগা কিম-না সিঙ্গাপোরগী প্রাইম মিনিষ্টর লী হসিন লূং উন্নখি। সম্মিট অদু হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়ু এসকী ট্রম্পনসু সিঙ্গাপোরগী প্রাইম মিনিষ্টরবু উন্নগনি।

নোর্থ কোরিয়াগী কোনুং পিওংয়াংদগী সিঙ্গাপোর তম্না প্লেন অহুম পাইখৎলকখি। অহানবা অদু ইল্যুসিন ট্রান্সপোর্ট প্লেননি। মদু কিম জোং উন গী আরমোরদ কার পুরক্লমগনি। মথংদা এয়ার চিনা ৭৪৭ অমা লেন্দিং তৌরকখি। মসিনা মহৌশানা চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিং পুই। মসি শোয়দনমক নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম পুরকপা ওইগনি।

মদুগী মথংদা অঙকপা অমনা সোভিয়ট মতমগী ইল্যুসিন ৬২ অমা ওইরিবা কিম জোং উন-গী পার্সোনেল জেট পাইরকখি। মদুদা মহাক তশেংনমক তোংলকপ্রা নৎত্রগা মদু দিকোয় অমরা হায়বা ঙমদে।

লুচিংবা অনীগী মীফম অসি জুন ১২ দা পাঙথোক্কদবনি। মীফম অসিগী পাউ লৌননবগীদমক মালেমগী অকোয়বদগী পাউমী ২,৫০০ রোম মফম অসিদা পাইশিন্নরক্কদৌরি। সিঙ্গাপোর গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকপদা মীফম অসিগী শিন-লাংবদা চাউরাক্লা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ২০ চঙগনি হায়রি।

# আফগান ফোর্সনা পাকিষ্টান ঙমখৈদা বোম শানবা মচাক ফংখ্রে

*কাবুল, জুন ১০ ঃ*

আফগান ফোর্সশিংনা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা অসিগুম্বা পোৎশিং ফংবদা খ্বায়দগী চাওবা ওইনা ঙসি পাকিষ্টান ঙমখৈগী মনাক্তগী বোম শাবদা শীজিন্নবা এমোনিয়ম নাইট্রেত বোরা ১৫০ ফংখ্রে। বোম মচাকশিং অদু পাকিষ্টানলোমদগী লানশিল্লকপা মনা-মশীং পুবা ট্রক অমগী মনীং থংবা শরুক্তা য়াওরম্বা থেংনকিবনি।

লানহৌবগী থবকশিংগীদমক পুরকপা কেমিকেল ক্রোর ৮ লোম ইন্টিলিজেন্স ওফিসারশিংনা ফারে। পোৎশিং অদু খাইবর পাসকী অরোইবদা তোরখাম বোর্দর ক্রোসিংদা ট্রক অমদা মনা মশীং হাপ্পা বোরাশিংগী মখাদা লোৎশিল্লগা পুরক্লম্বনি হায়না নঙ্গরহার প্রোভিন্সকী গভর্ণরগী ৱাঙাংলোয় অমনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

এমোনিয়ম নাইট্রেদ অসি মনা-মশীংগী হার অমা ওইনসু পাক শন্না শীজিন্নে অদুবু সেক্যুরিটিগী মরমগীদমক আফগনিষ্টান্দা মসি পুশিল্লকপদা অথীংবা থম্মি।

হৌজিক হৌজিক আফগনিষ্টানগা টালিবান, টালিবানগা মরী লৈনবা হক্কানি নেটৱার্ক অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকী লানহৌবশিং মায়োক্নরি। পাকিষ্টান অমসুং আফগনিষ্টানগা তাইনবা ঙমখৈ পরীংদা ঙমখৈ ৱাংমদগী এটেক তৌরকপা টেরোরিষ্টশিংবু চঙজফম পী হায়না লৈবাক অনী অসিনা অমনা অমদা মরান শীনরি।

হৌখিবা চহীগী মে থাদা অচৌবা ট্রক বোম অমনা আফগনিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা মীওই ১৫০ হেন্না হাৎখি।

টালিবানন্না ঙরাং থাংজ নুমিত্তা ইখঙ খঙহৌদনা মুস্লিমগী ইদ হোলিদেদা নুমিৎ হুম্নিগী সিজফাইয়ার অমা লাওথোকখি। মসি গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মথক্তা অনকন্দিস্নেল সিজফাইয়ার অমা লাওথোকখিবা অদুগী নুমিৎ খরনিগী তুংদনি। অশিগুম্বা মখলগীদা টালিবানগীদি মসিনা অহানবনি।

নঙ্গরহার প্রোভিন্সতা সেক্যুরিটিগী ফিভম শাথিনা শোকচিল্লকপদগী হৌখিবা থাদা প্রোভিন্স অসিগী গভর্ণর মফম লৌথোকখি।

মরকসিদা প্রোভিন্স অসিদা ইস্লামিক ষ্টেট লানহৌবশিংগী লোৎফমদা ফোরেন এয়ার ষ্ট্রাইক অনীনা লানহৌবা ৬ হাৎখ্রে।

# করবি অংলোংদা গুৱাহাটিদগী নহা ২ হাৎখিবগীদমক মীওই ১৬ ফাখ্রে

*গুৱাহাটি, জুন ১০ ঃ*

অসামগী করবি অংলোং দিষ্ট্রিক্তা খুঙ্গাশিংনা অঙাং ফাবা মীওইশিংনি হায়না লান্না খন্দুনা গুৱাহাটিদগী লাকখিবা নহা অনীবু তমথিনা ফু-চৈদুনা হাৎতোকখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা অসাম পুলিসনা মীওই ১৬ ফারে হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্ত ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

এদিস্নেল দাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) মুকেস অগরৱালনা হায়খি, হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা থোকখিবা নুংঙাইতবা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অতৈসু ফাননবা পুলিসনা থিরি। মহাক্না হায়খি, গুৱাহাটিগী নহা অনী অদু হাৎখিবা মফম দোকমোকাগী ফিভম হৌজিক লাকশিল্লে। থৌদোক অদু থোকখিবগী মখা তারকপা নুমিৎশিংদা মফম অদুদা উংখৎনবগী ফিভম লৈখিবনি অদুবু হৌজিক্তি পুলিসনা ফিভম অদু লাকশিল্লে হায়না মহাক্না হায়খি।

দোকমোকা হায়রিবা মফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা খুল মরি মঙানা মফম অদুৱাইদা সোপধারা নৎত্রগা অঙাং ফাবশিং লৈরে হায়না থাগৎলকপা পোষ্টশিং সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবনি।

# সুপরষ্টার সলমান খান হাৎনবা হোৎনরম্বা গেংষ্টর ফারে

*চান্দিগর, জুন ১০ ঃ*

চয়োল অসিগী অঙনবদা হায়দরবাদতা ফাখিবা ৱান্টেট গেংষ্টর সম্পট নেহরানা এক্টর সলমান খানবু হাৎনবা খুজিল থৌরাং অমা তৌরম্মী হায়না হরিয়ানা পুলিসনা হায়রি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা নেহরানা মহাক্কী থৌরাং অদুগী শরুক অমা ওইনা মুম্বাইদা চৎখি। এক্টর অদুগী ময়ূম অমসুং মদু তাবা লম্বীশিংগী ফোটো কয়ামরুম মহাক্কী মোবাইল ফোনদা লৌখি।

মে অহানবা চয়োলদা সম্পট নেহরানা মুম্বাইদা লৈরগা সলমান খানগী ময়ূম অদু কূপ্না য়েংশিনখি, সলমান খাননা মহাকপু পামজবা মীওইশিংদা খূৎ হায়নবা ময়ূমগী বেলকোনিদা থোরকপা মতম অদুসু খঙজিনখি। বেলকোনি অদুগী অরাপ্পা অদু খঙনবা হোৎনখি অমসুং য়ূম অদুগী ফোটোগ্রাপসু লৌখি হায়না ঙরাং থাংজ নুমিৎতা দিপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ হরিয়ানা স্পিসিয়েল টাস্ক ফোর্স ছটিস বালানা হায়খি।

মীহাৎপা, নমদুনা শেন মুনবা অমসুং লুট পাট তৌবগী কেস ১২ হেনবগা মরী লৈননা পুলিসনা ফাবা পাম্লিবা সম্পট নেহরা অসি ফৎতবদা মমিং চৎলবা লোরেন্স বিস্নোই গেংগী সার্পসুটর অমনি। লোরেন্স বিস্নোইনা চহী অসিগী জনুৱারী থাদা সলমান খানবু হাৎকনি হায়না ধমকা তৌরকখ্রবনি।

সম্পট নেহরা হায়রিবা মীওই অসি রাজস্থানগী বিস্নোই কাঙলুপকী মীওইনি। বিস্নোই কাঙলুপ অসিনা সলমান খাননা ব্লেকবক হাৎপগী চহী ২০ শুরবা কেস লোয়শিন্নবা কন্না দিমান্দ তৌখিবনি। কেস অদুদা মশাগী চহী ৫২ শুরবা ফিল্ম ষ্টার অসি মহাক্না "হম সাথ সাথ হৈ" হায়বা ফিল্ম অদুগী সুটিং তৌবদা ১৯৯৮ তা ব্লেকবক অনী হাৎপগীদমক এপ্রিল থাদা জেলদা চহী ৫ গী চৈরাক পীখিবনি। জোধপুর সেন্ট্রেল জেলদা অহিং অনী লৈরবা তুংদা মহাকপু বেলদা থাদোকরকখিবনি।

সলমান খানবু হাৎনবা অরোনবা থৌরাং তৌই হায়বগী মরালদা সম্পট নেহরাবু হরিয়ানা পুলিসকী স্পিসিয়েল টাস্ক ফোর্সনা জুন ৬ তা ফাখি। লোরেন্স বিস্নোই গেং অসি ফেসবুক অমসুং ৱাটচঅপকুম্বা সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা য়াম্না এক্টিভ ওইবা খূৎপু অমনি।

নেহরা অমসুং মহাক্কী গেং খূৎপু অসি চান্দিগরদা লৈবা ব্যুজিনেসমেন্ট অমদগী লুপা ক্রোর অহুমগী রেন্সম তান্দুনা আই এন এল দি লীদরগী মনাওনুপা অমা হাৎনবা হোৎনবদা চৈন্নে, পুলিস কষ্টদিদগী মখোয়গা লোয়নবা দিপক নাম্থোকহন্নবা পুলিস টিম অমদা নোংমৈ কাপ্পদা অমসুং কুরুক্ষেত্রদা মীওই অমা মহাক্কী এস য়ু ভি লুট তৌরবা তুংদা হাৎখিবদা চৈন্নে হায়রি।

RST Resonant Tutorials
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET (UG) - 2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Separate Section For Purely English Medium.
Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.

## GAS TODAY

**Lambodara Indane**
Booking : 04/06/18
Valid : 30/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Porompat Indane**
Booking : 04/05/18
Valid : 19/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m
New Connection Available

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 12/05/18
Valid : 09/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 03/05/18
Valid : 18/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 11/05/18
Valid : 08/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**GBD Indane Service, Lamlong**
Booking : 28/04/18
Valid : 14/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 29/04/18
Sl. No. 217088
Valid : 25/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khonang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 04/06/18
Valid : 29/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 07/05/18
Valid : 01/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 30/04/18
Valid : 21/04/18
Sl. No. 8000
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 09/06/18
Valid : 01/12/17
Sl. No. 20000
Stk : 306
Delivery at Heinoupok Godown

**R & H Indane**
Booking : 27/04/18
Valid : 12/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

### সনা-সুদোকু -১১৯৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 3 | 8 | 6 | 2 | 7 | 5 | 1 |
| 8 | 6 | 5 | 1 | 7 | 9 | 2 | 3 | 4 |
| 2 | 1 | 7 | 3 | 4 | 5 | 9 | 6 | 8 |
| 3 | 8 | 6 | 2 | 1 | 4 | 5 | 7 | 9 |
| 9 | 7 | 2 | 5 | 3 | 8 | 4 | 1 | 6 |
| 5 | 4 | 1 | 7 | 9 | 6 | 3 | 8 | 2 |
| 1 | 2 | 9 | 6 | 5 | 3 | 8 | 4 | 7 |
| 6 | 5 | 4 | 9 | 8 | 7 | 1 | 2 | 3 |
| 7 | 3 | 8 | 4 | 2 | 1 | 6 | 9 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1194**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | | | | 4 | | |
| | 3 | | | | | 6 | 9 | |
| 6 | | | 4 | | 7 | | | |
| | | | | | | | 1 | 8 |
| | 8 | | | | | | | |
| | 9 | | | | 5 | | 4 | 7 |
| | 6 | | | 1 | | 8 | 5 | 9 |
| | 5 | 4 | | | | | 6 | 1 |
| | | | 9 | | | 3 | | |